# “কায়রবা ঋতুগী তান্থা”

## EPISODE-21

### Impact of Climate Change (Harmful impact)

*Script :*

**Dr. Irungbam Jamuna Devi**

**CHARACTERS :**

নুপাঃ- (১) খোমৈ - থাজমানবীগী মপা
(২) ইনাওতোন - ইনভাইরোলমেন্টেলিষ্ট (৩) মালাংবা - জিওগ্রাফর
নুপীঃ- (১) তোম্বীমচা - মালাংবগী মমা
(২) থাজমানবী - কোলেজ ষ্টুদেন্ট

(মফম:- নুমিদাংৱাইরম, মফম:- খোমৈগী য়ুম, নোং কন্না চুবা)

থাজমানবী :- বাবা... বাবা... নোংনা পুম্মম মমশিনলক্লে, নোংসু কন্না খোংলে ঐদি য়াম কীজেয়ে, হৌজিক্তা অতিয়াসে পুমশেং শেংলম্বনি, হৌজিকপু সুমাইনা নোং চুবা মতম্লনে... বাবা লেনসু তারে... এ! য়াম চাওই লেনসে... ঐ শুমাংদা তারিবা লেনশিংসি খুল্লুগে।

খোমৈ :- হে... হে... ঙাইখোনে থাজমানবী নঙবো, নোং মরকসিদা থোকখিনুনে, লোয়না চোৎপা তারেনে, ইস! লেনসিসু ওন্থোক্লা চাওখ্রেদা... হায় হায় নকোক্তগা পাল্লদি নকোক কাইজনিকো।

থাজমানবী :- তু য়েংঙুনে বাবা, চাওদরা লেনসে, সুমাইনা চাওবা লেনসি অমুক্তা উজদ্রি।

খোমৈ :- ইপাসু সুমাইনা চাওবা লেনদি হন্দক থেংনরিবসিনি, ইস! শুমাংসিসু লেন্না পুমঙৌ হেক ঙৌরে, নোংসিসু কল্লিহে, সুমাইনা অসুমক কন্না লেপ্তুনা হয়েং ফাওদং নোংসি চুরবদি ঈশিং চাওবদি শোয়ররোই।

থাজমানবী :- ঐখোয় তামোদুনা হৌজিক ফাওবা লাকত্রিসিনা কদায়দা লৈরিজাৎনো, কৈদৌরজাৎনোনে।

খোমৈ :- হোয়নে নবুংদু নহানকৈদি ঙন্না ঙন্না হল্লকপনি, হৌজিক নুমিদাং ওইশিল্লক্লসিফাও লাকত্রিসিবু করি তৌদুনা লৈখ্রজাৎনোনে।

থাজমানবী :- থবক অচীনবা অমা লৈদুনা তৌরম্বসু য়াই, পুংদি পংথেং থেংবসু নৎত্রি, নোং তাবসিদা য়াম থেংলবোই নিংবনি।

খোমৈ :- হৌজিক মালেমগী মফম খুদিংদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী নোং তাগদবা মতমদনা হেক তাদা তারোইদবা মতমনা হেক তা, অইং-অশা নোংজু-নুংশাগী খলদা অকায়বা কয়া ওইরক্লি, হৌজিক খঙহৌদনা লেন য়াওবা নোং তারক্কনি হায়ববু থাজবরনে।

| | | |
|---|---|---|
| থাজমানবী | :- | বাবা হৌজিক মালেমসিদা ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী চৈথেং ফংলে হায়বসি মীপুম অয়াম্বদি খঙনরে অদুবু ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা ইহান হান্না হায়রম্বা, খঙহল্লম্বা মীওইদুবু কনানো? |
| খোমৈ | :- | ইপাসু নঙনা হংলিবা মীওইদুমদি খঙদেবো, হোরেল নবুং লাক্লগা মঙোন্দা ওইনা হংলো, মাদি ইনভাইরোলমেন্টেলিষ্টনিনা শোয়দনা খঙফম থোকই। |
| থাজমানবী | :- | পাবা নোংসি অসুম অসুম কনশিল্লক্লে, ঐখোয়গী শুমাংগসে ঈশিং লোয়না থুল্লে, নোং হেন্না হেন্না কন্না চুথরক্লে। |
| খোমৈ | :- | নালা পুম্নমক লোয়না ফৎতা হাওদিশিংনা ফুনজিন্দুনা ঈশিং ফজনা চেনবা ঙমদ্রবনিনা ঈশিং পাথোরক্তুনা শুমাং মাঙ্গোলগসে নোং খরা হেক তাবগা ঈশিংনা লোয়না থুমজিল্লে, ময়ুম ময়ুমদগী ফৎত-হাওদি পুম্নমক প্লাষ্টিক চেখাওদা ময়োম-ময়োম য়োমদুনা পুথোরক্লগা নালাদা মীরক-নারক য়েংরগা শৎ হেক্তা থাদরম্মী, ঈশিং বোটলশিংসু থকতোক্লগা নালাদা হেক্তা লংথরম্মী, ঐখোয় মীওইবশিংসি ওস্থোক্লা গ্যান তাদেকো। |
| থাজমানবী | :- | (গাড়ী থৌজিল্লকপগী মখোল) তামো লাকঅমাল্লে... তামো প্রপ-প্রপ চংঙকও লোয়না চোৎপা তারে। |
| ইনাওতোন | :- | অস, নোংজুথাসু নৎতনা অসুক কন্না চুবা নোংসিদি অমুক্তসু থেংনরক্ত্রি, লম্বী শোরোক্কা লোয়না পুমথুম থুমহৌরে, গাড়ীসি য়ুম য়ৌনবা ওস্থোক্লা ৱানা থৌরকখ্রজাৎনি। |
| থাজমানবী | :- | সে তামো, টাওৱেল সিদা লৈরে, চোৎলিদু হান্না অমুক্তা ফজনা তৈথোকখো। |
| খোমৈ | :- | করিগীনো নঙবো ঙসি অসুক য়াম্না থেংলকইসিবো। |
| ইনাওতোন | :- | বাবা, ঐগী ইমান্নবা মালংবদু নিংশিংলিবরা? |
| খোমৈ | :- | মালংববুদি করিগী নিংশিংলোই, নখোয় অনি কোলেজ তম্মীন্নরিঙৈ মতমদা ঐখোয়দা তোয়না তোয়না লাকঅম্মীদুদি। |
| থাজমানবী | :- | তামো... দাদা মালংববু কৈদৌরগে, করি তৌবা য়াওরগে। |
| ইনাওতোন | :- | ঙসি ঐনা হোস্পিটালদা ঐগী ইমান্নবা দোক্তর চীংখৈ উন্নগে হায়দুনা চৎলুবদা, মালংবদু ইপা পাখৎনা হাথু-হাথু চৎলম্বা হেক থেংনরুরে। |
| খোমৈ | :- | অনা-অয়েক্কা য়াওরবজাৎলনে মোয়বো। |
| ইনাওতোন | :- | হোয় বাবা, ঐনা হংবদা মখোয়গী ইমাদো অরুম লাইহৌ তৌদুনা হোস্পিটালদা পুখৎলক্তুনা লৈ হায়য়ে, অদুদদি ঐসু ঙহাক মখোয় ইমাগী মনাক্তা চংদুনা লৈথোরক্লে। |
| থাজমানবী | :- | অরুম লাইহৌ হৌরিদি কৈদৌরজাৎনো, হৌজিক মতমগী মীয়াম্না য়াম্না কীনরিবা কাংনা শন্দোকপা লাইনাশিং অদু নারবজাৎলা ? |

ইনাওতোন :- মদুমক্তি ওইরমদরে, ব্লদ টেষ্ট তৌবদা করিসু থোইদোকপা ওইরমদরে, চুন্না লোক থুংবদা খরা চেকশিনবা ৱাৎহৌবদগী হেনজিনখিদুনা হেস্পিটালাইজ তৌদবা য়াদদুনা তৌবা ওইরমাল্লে।

খোমৈ :- ফরে ফরে অদুবু ওইরদি, কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং মেলরিয়া, দেঙ্গি, জপানিজ ইন্সেফেলাইটিষ্ট, চিক্কন গুইনিয়ানচিংবশিং অমতা ওইরমদ্রিবদু ওন্থোক্লা লাইবক ফরবনি।

ইনাওতোন :- ঐখোয়গী লৈবাকসিদা হান্নদি অসিগুম্বা লৈনাশিং অসি কাহেন্না শন্দোক্লমদবনি অদুবু অইং-অশাগী খল কাইরকপদগী হায়বদি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগী লায়না মখল কয়া ঐখোয়গী ইরমদম অসিদসু শন্দোরক্লে।

খোমৈ :- ইহে, ইনাওতোন, নঙনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ পল্লকপদা খঙনীং নীংশিংলকই, নচলনুপীনা ঙসাই ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমদি গ্লোবেল ৱার্মিংগী মরমদা ঐখোয় মীয়ামদা ইহান হান্না ময়েক শেংনা খঙহল্লম্বা মীওই অদু কনানো হায়দুনা ইপাদা হংঙি, ইপানদি খঙদবনিনা নবুং লাক্লগা হংঙো হায়দুনা হায়বনি, মীওই অদু কনানো খরা হায়রকউদনা ইপাসু খঙনীংঙি।

থাজমানবী :- নোংসিসু লেপ্তুনা অদুমক তাদুনা লৈরে, অহিংসিমা লেপ্তুনা সুমাইনা অসুমক কন্না তাদুনা লৈরদি হয়েং অয়ুক্তদি ঈশিং চাওরম্বরা খঙপোৎনতে, মীয়াম পুম্নমক অৱাবা মায়য়োক্লরনি, পুম্নমকসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ ওইরকপদগীনিকো।

ইনাওতোন :- উম মানি থাজমানবী, ক্লাইমেৎ চেঞ্জগী মরমদা ইহান হান্না শান্দোক্লা খঙহল্লম্ববাা সাইন্টিষ্ট অদু অতৈ কনাসু নৎতে, ৱালেস স্মিথ ব্রোক্কর হায়রিবা কলম্বিয়া ইউনিভর্সিটিগী আর্থ এন্দ ইনভাইরোলমেন্টেল সাইন্সেস দিপার্টমেন্টতা প্রোফেসার ওইরম্বা মীওই অদুনিকো।

খোমৈ :- হায়রিবা সাইন্টিষ্ট, ৱালেস স্মিথ ব্রোক্কর হায়রিবা মীওই অসিবু হৌজিক হৌজিকপু হিংলিবরা ইবুংঙো।

ইনাওতোন :- বাবা, হায়রিবা সাইন্টিষ্ট ৱালেস স্মিথ ব্রোক্কর, মীয়াম্না ফাদর ওফ গ্লোবেল ৱার্মিং, গ্রান্দ ফাদর ওফ ক্লাইমেৎ সাইন্স অমদি দিন ওফ ক্লাইমেৎ সাইন্টিষ্ট হায়না মীংথোন পীখ্রবা মীওই অসি হন্দক্তা ইং ২০১৯ গী ফেব্রুৱারীগী তাং ২০দা মশাগী চহি ৮৭ শুবদা লৈখিদ্রে।

থাজমানবী :- এ ! তামো মহাক্তি মীংথোন য়াম্না ফংখিবোরে।

ইনাওতোন :- উম মহাক্লা ইং ১৯৭৫ তা গ্লোবেল ৱার্মিং হায়বা ৱাহৈ অসি মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনখি, এটমোস্ফিয়ারদা কার্বোনদাইওক্সাইদকী চাং য়াম্না ৱাংখৎলকপদগী মালেমগী শাবগী চাং অসি হেনগৎলক্তুনা গ্লোবেল ৱার্মিং থোরক্তুনা ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অসি ওইরক্লিবনি হায়বসি মীয়ামদা খঙহনবা হৌরকখি।

খোমৈ :- মরমশিং অসিননিদনা মহাক্লা মীংথোন ময়ামসে ফংখ্রিবসে।

ইনাওতোন :- (ফোন রিং লাকপা) হল্লো... মালংবা কৈদৌরগে, ইমাবু খরা ফরব্রা? কমাই তৌরগে?

মাংলংবা :- উম খরা ফরে, ফেবর য়াম কন্না তৌরম্বদুদি হৌজিক নোর্মেলবুদি তারে, যুমদা পুথবা য়ারনি হায়রে, হয়েং অয়ুক ওইনা পুথরগে অদো নঙবু য়ুম য়ৌরবরো, নোং কন্না তাবসিদা পাখৎতুনা হংলকপনি।

ইনাওতোন :- ঐবুদি য়ুম য়ৌবা কুইরে, ইমা কৈসু তৌদরে হয়েং পুথরনি হায়রবনিনা য়াম ফরে, হয়েং ঐসু অমুক নখোয় যূমদা ওইনা লাক্লগে।

মালাংবা :- হোয় মরুপ য়াম্না ফরে, ঙসি নঙ থেংনরমদ্রবদি ঐ ফনা ৱারমগনি, হয়েং অমুক উন্নরসি, ওকে বাই।

খোমৈ :- ইবুংঙো নঙনা হয়েং মালংবহোয়দা চৎপদা ইপাসু খরা য়াওহৌগে, মালাংবগী মমা তোন্বীমচাদু মতম অমদা কোলেজ তম্মীন্নরকখিবনি, কুইরে উন্নখিদবা অনাবা হংবা ওইনা ঐসু লাক্কে।

থাজমানবী :- তামো ঐসু লাক্কে, দাদা মালংবদু উন্নদবা কুইরে, মশক ফাওবা নীংশিংবা থোক্তরে, মখোযগী ইমাদুসু অমুক্তা মশক উদরি শক খঙনবা ওইনা ঐসু চৎপা য়াওহৌগে।

ইনাওতোন :- হোয় হোয় হয়েং পুল্লপ হেক্তা চৎলুরসি, ইবুংদি চাক লাম্বনা লোয়রে নঙসু চাক্তু থোংদোক্লুরোদনা

থাজমানবী :- হোয় তামো থোংলুরগে।

-ম্যুজিক-

(মফম:- মালাংবগী য়ুম, মতম:- অয়ুক, নোং হাংখিবগী উচেক ৱায়াশিংনা খোংবগী মখোল)

তোন্বীমচা :- (লোক কন্না কন্না খুবা) মালংবা...মালংবা... ইবুংঙো নঙবু কদায়দা লৈগেনে... ইবুংঙো ।

মালংবা :- কৈদৌরে ইমা, ঐ ইমানা চানবা হৱাইমুক্কা চাক্কা পেৎনা থোংলুবনি, সে লোক্তু য়াম খুরদি লোক খুদনবা হিদাকসি খরা থকচিনসিসে।

তোন্বীমচা :- লাইহৌ কন্না হৌরম্বা অদুদি ফখরে হায়ববু লোক কন্না অমুক খুবসিদা ইমাদি থবাক্কসে নাবনা লোয়রেদা। কদায়নো নঙগী হীদাক হায়বদুবো।

মালংবা :- সে সিদা লৈরে, থকচীল্লো ইমা।

তোন্বীমচা :- (হিদাক থকপা) হা ... হা... নঙসু পংৱা মৱারে ঐনা খংনা নাশিল্লকপসিদা, নচন অমা, নচে অমা লৈদুনা নতেং পাংবিগনি হায়বসু নৎতা, ইমুং-মনুংগী থবকপু তৌগদরা, ঐগী সেবাবু তৌগদরা, নথৌ ফাওবা চৎপা ঙমজদরে, নপাদুতংগা লৈজরল্লবদি ঐখোয়না ৱারিবসিসু ৱারল্লোইদবনিকো, ইমা-ইচাসে ওন্থোক্লা লাইবক থীখ্রবা হায়বদুনি (পুক্লিং নুংশিবা)।

মালংবা :- ইমা কৈদৌরগে ইমানা পংঙাংদা ঙাংলিদুবো, ঐনা ইমাগী সেবা তৌবসি ননিং থুংদ্রবরো?

তোম্বীমচা :- ইচানা ইমাগীদমক হোৎনবসিগুম কনানসু হোৎনরম্লোই, নঙবু ইচা ওইনা ফংজবদি ইমাগীদি ওন্থোক্লা লাইবক ফখ্রবনি, ইচানা ৰাবদু ইমানা য়েংবা ঙমদবগী পংহায় হায়বনি।

মালংবা :- ইমা ঐ ৰাদেয়ে, মচানা মমাগীদমক সেবা খরদং তৌবসিবু ৰাবা কৌবরনে, সিদি ঐগী তৌফম থোকপা ইথৌনি, সে ইমা ঙহাক পোখাওসে, ৰা অদুম ঙাংদুনা লৈরদি ৰাৰনি, ঐ ইমানা চানবা চাক্কা হৰাইগা পেৎনা থোংলম্বদু লৌরুখিগে।

তোম্বীমচা :- (গাড়ী খামখিবগী মখোল) ইবুংঙো চান্নবদু কোন্না লৌরু, মপান্দা গাড়ী খামখিবগী মখোল তাখিবগুম তৌই, কনা লাক্কে অমুক্তা য়েংলুচো, ইনাওতোন্দুবু লাক্কনি হায়রকই হায়দাই, লাকপরা য়েংঙুনে।

মালংবা :- হোয় ইমা য়েংলুগে...।

ইনাওতোন :- (মপান্দগী) মালংবা... মালংবা।

মালংবা :- হায়মা ইনাওতোন নঙ লাকঅবরো, ইমানা হৌজিক্তা নঙ লাকপরা য়েংলুচো হায়রম্মীনি, এ! বাবাগা ইচলগসু য়াওরকই, চংবিরকউ বাবা... থাজমানবী চংঙকও লাকও... ইমুংদা ওইনা হেক্তা চংলসি।

খোমৈ :- তোম্বীমচাবু খরা ফরবা নৎতরা, কদোমদা লৈগেনে, ঐসু নখোয়বু উদবা কুইরে হায়দুনা উনিংদুনা লাক্লিবনিনে।

তোম্বীমচা :- এ ! খোমৈ নৎতরা, ঐ সোমগী কাসিদা হিপ্লিয়ে, সোমদা ওইনা হোক্তা চংঙকও।

মালংবা :- ইমাগী মনাক্তা ওইনা পুল্লপ ফম্লুরসি, সোমদা ওইনা হেক্তা চংবিরকও বাবা।

খোমৈ :- ঐদি অনাবা হংবা লাক্লিসিদি, অনাবদি ফবু ফরম্লেনা।

থাজমানবী :- ইমা সে ইমাগী চান্নবা করি করিনো খরা পুরকপনি, উকাবী অয়াইবসু য়াওরকপনি।

তোম্বীমচা :- করিগীনো অসুক য়াম্না পুরক্লিবসিবো, ইচা থাজমানবীদি লৈশাবী মপুং ফারম্লেনা, ইচাদি শকসু ওন্থোক্লা ফজখরেদা।

খোমৈ :- মপা ঐ লৌদনা ফজরিবনি, ঐনা পোকপা ইচানুপীবু ফজদে হায়বরো (নোকপা)।

তোম্বীমচা :- (নোকপা) খোমৈ নঙসে নহালৰাই ঐখোয়না কোলেজ তম্লিঙৈ মতমগী চুমঙাও ঙাওবদু হল্লমদ্রিনা।

খোমৈ :- কৈনোনে তোম্বীমচা ঐখোয়বু অহল ওইরক্লে হায়দুনা হরাওবা নোকপা ফাগীগসি লোয়না কাওথোক্লগদরো হায়রিসিবো, ঙহাকসু পুক্লিং তানা নোকথোকসি কৈনো, থৰাই তানা নোকপসিসু অনাবগা লোয়না ফহল্লিবনিনে।

মালংবা :- হায়গুম্লদনা ঐখোয় ইমাসে বাবাহোয় লাক্ত্রিঙৈদদি লোকপু খুবও, নাবু নাহেবও অমুক্তেইবা তাবা হৈবা ঙমদে, হৌজিক্তি অনাবাগসি লোয়না ফখ্রেনে (নোকপা)।

তোন্বীমচা :- ইবুংঙো চা খরা লোল্লকউদনা নোয় বাবাহোয় পীথক্লবা।

ইনাওতোন :- মালংবা চাগা অমতা লোল্লুরনু, হৌজিক্তা য়ুমদগী থল্লগা লাকঅবনি, ঐখোয় বাবাসে চা য়াম পীথকপা য়াদরে, শুগরগী শরুক খরা ৱাংলপ লৈরে, চাদি হেক পীথক্লিবমখৈ থক্কে হায়রক্কনি।

খোমৈ :- নোংফাদোক চা গ্লাস অমা অনি থকপবু করি তৌই হায়গে থকতোকসি ইবুংঙো লোল্লকউ, চীনিদুসু খরা থুমতক হেক থাল্লকউ।

তোন্বীমচা :- নোং ফাদোক লাকপবু চা গ্লাস অমফাওবা থক্তনা চৎখ্রদি ঐসু নুংঙাইহৌররোই, লোল্লকউ লোল্লকউ ইবুংঙো।

থাজমানবী :- দাদা মালংবা চাদো ঐ ওইনা লোনগে, চাকখুম কদোমদা লৈগে তাকপীয়ুবা।

মালংবা :- লাকও সোমদা, ইবানি হেক্তা লোনমিন্নরুরসি (চঙখিবা) ।

তোন্বীমচা :- ঙরাংগী লেন য়াওবা নোংদু ওন্থোক্লা কন্না চুখরে, লেনগদুনা মরোল অমা চাওরিবা, মনামশিং, এঞ্চাং নাপী পুন্নমক লোয়না মাঙলমলগনি, হৌজিক্কি অইং-অশাগী মওং অসে হান্নগা য়াম্লা খেন্নরে, লৌ লোক্লুরগদবা মতমসিদা ঙরাংগী লেন্দুনা ফৌ চরোং পুন্নমকসু লোইনা অমাং অতাং থোকহনলমগনি।

খন্বা :- মতম চাদনা চুবা নোংনা মনা-মশিং মহে-মরোং পুন্নমক মাংহনবদা নৎতনা ঐখোয় মীওইবগী হকচাংদা লায়না কয়াসু থোকহল্লিবনি।

ইনাওতোন :- অচুম্বনি, হৌজিক মালেমসিদা অইং-অশা, নোংজু-নুংশাগী চাংদা অকায়বা কয়া ওইরকপদগী দাইরিয়া, কোলেরা, দাইসেন্ত্রি, সিজনেল ফেবর মখল কয়া অমসু তোয়না নাবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি। ৱার্ল্ড হেল্‌থ ওর্গেনাইজেসনগী রিপোর্টকী মতুংইন্না হার্ট অমদি লংসকী অনাবগী চাংসু ৱাংখৎলক্লি হায়রি।

খন্বা :- ইবুংঙো নোং কা হেন্না চুবা অমদি শাবগী চাং ৱাংখৎলকপনা মরম ওইরগা লায়না থোকহনবা ঙন্বা বেক্তরিয়াশিংগী মশিংসু কা হেন্না হেনগৎলকই হায়বসিসু চুম্বরা।

ইনাওতোন :- অচুম্বনি বাবা, মসিদসু নৎতনা ভেক্টর বোর্ন দিজিজ মরুওইনা কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং মেলরিয়া, দেঙ্গি, চিক্কন গুইনিয়া, য়েল্লো ফেবর অমদি জপানিজ ইনসেফেটিলাইটিষ্টনচিংবা লায়নাশিং সাউথ অমেরিকা, এফ্রিকা, অমদি সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী মফমশিংদা শন্দোকরপগী চাং ৱাংখৎলক্লি, মীওই কয়াগী পুন্সি মাংহল্লক্লি। হৌজিক হৌজিক হায়রিবা লায়নাশিং অসি ইউরোপ অমদি নোর্থ-আমেরিকাগী মফমশিংদসু শন্দোরক্লি।

থাজমানবী :- চা লৈজরে ময়াম পুন্নমক, চান্নবা বিস্কুইটসু পুরক্লে।

| | | |
|---|---|---|
| মালংবা | :- | ঙসিগী চাসিদি ইচল থাজমানবীনা থৱায় য়াওনা লোল্লকপনি, য়াম হাওদোইজাৎনি। |
| তোম্বীমচা | :- | (চা থকপা) হোয়নে ওন্থোক্লা হাওখ্রেদা ইচা থাজমানবীনা লোনবা চাসিদি। সিদগীদি ইবেম্মা নঙ ইমাগী নাক্তা খরা খরা তোয়না লাকউকো, ইমাদি ইচানুপীসু য়াওজদবনিনা নুপীমচাসে ওন্থোক্লা নুংশিজখরে। |
| থাজমানবী | :- | হোয় ইমা, সিদগীদি তোয়না তোয়না লাকমন্দনা, লাকপীরনু হায়রকপরা খঙপোৎনতে। |
| তোম্বীমচা | :- | এ ! হায়রোই হায়রোই শুংহাই হেক হায়রোই, নোয় বাবানবু য়ারদি ঐগী ইনাক্তা অদুম লৈরো হায়রিবনি। |
| খম্বা | :- | অদুদি কদাইদৈ য়াদগেনে তোম্বীমচা, ঐগীসু ইচানুপী মতোমতনি নোং ফাদোক নঙগী নচা ওইনা ৱাইজগে হায়বদি য়াই পুরা লৌজবদি কদায়দগী য়াগদগে (পুল্লপ নোকপা)। |
| মালংবা | :- | ঐদি হন্দক ইমানা লাইহৌ খঙহৌ হৌরক্কুনা নাবসিদা ৱাখলগসে জাৎ জাৎ খল্লুরবনি। |
| তোম্বীমচা | :- | করি খল্লুরিবা নঙদি, ইমা কৈসু তৌরোইয়ে পাখৎকনু। |
| মালংবা | :- | হৌজিকপুদি পাখৎতরে, ব্লদ টেষ্ট তৌবদা কৈসু থোইদোকপা অরুবা অনাবা য়াওরমদ্রবনিনা। |
| ইনাওতোন | :- | হৌজিকপুদি করিসু তৌররোইদা, ঐসু পুক্লিংদা কাংনা শন্দোকপা লায়না ওইরমগদরা খন্দুনা পাখৎলুরবনি। |
| খম্বা | :- | অরুবা লায়না ওইরমদ্রিবসি ঐখোয়গী লাইবক য়াম্না ফরবনি। |
| মালংবা | :- | মালেমসিদা হৌজিক শাবগী চাং ৱাংখৎলকপসিনা মরম ওইরগা চহি অহল ওইশিল্লক্লবা মীওইশিংগী হকশেলদা চাওনা অকায়বা ওইরক্লি। |
| ইনাওতোন | :- | শাবগী চাং ৱাংখৎলকপদগী মফম অমদা লৈরমদবা শন্দোক্লমদবা লায়না কয়া শন্দোরকপা থেংনরক্লি। হান্না দেঙ্গি লায়না শন্দোক্লিবা কাং মখলশিং অসি সমুদ্রগী লৈমায়দগী ফুট ৩৩০০দগী হেন্না ৱাংবা মফমশিংদা ফংলমদবদু হৌজিক্তি ফুট ৭২০০ রোম ৱাংবা কলম্বিয়াগী মফমশিংদসু লৈবা থেংনরে। হৌজিক ক্লাইমেৎ চেঞ্জনা মরম ওইরগা ইউরোপকী মফমশিংদসু তীল কাংনা শন্দোকপা লায়নাশিং চাং ৱাংনা শন্দোরক্লি। |
| মালংবা | :- | ইং ২০৭০ ফাওবদদি মালেমগী অপুনবা লৈবাক্কী শরুক্কী চাদা ৬০রোমগী মফমশিংদা মেলরিয়া লায়না শন্দোরক্লনি হায়না পানরি। |
| থাজমানবী | :- | তামো ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমদি গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইরগা মাইক্রো-ওর্গানিজমশিং অসিগী জিনেটিক ষ্ট্রকচরদা অহোংবা অকায়বা কয়া থোকহল্লকপদগী লায়না মখল অনৌ-অনৌবা কয়া থোকহল্লকই হায়রিসু চুম্বরা? |

ইনাওতোন :- উম চুম্মী, হান্না ঐখোয়না থেংনরমদবা খঙলমদবা লায়না কয়া মালেমগী মফম কয়াদা শন্দোরক্লিবসিনি।

তোন্বীমচা : হৌজিক অইং-অশাগী খল কায়রকপদগী ঈশিং-নুংশিৎ মোৎশিল্লকপগী চাং ৱাংখৎলকপদগী ওইবা তারে হৌজিক ঐনা লোক লাইহৌ তৌদুনা নারিবসিসু।

খন্বা :- মদুসু মরম অমা ওইরিবনি, হৌজিক এটমোস্ফিয়ার অসিদা কার্বোন দাইওক্সাইদকী চাং ৱাংখৎলকপদা নৎতনা সলফর, লিদ অমদি উফুলগী শরুকশিং য়াওবগী চাং হেনগৎলক্লি। ইহে ৱারী নুংঙাইরিঙৈদা পুংসিদি আ য়ৌরল্লেদনা, ইচাশা নোয়বু ইউনিভর্সিটি চৎলোইদবরা।

মালংবা :- বাবা ঙসিদি ঐদি চৎলরোই, ইমাসি মথন্তা হুন্দোক্লগা থল্লম্বা নুংঙাইতরে।

ইনাওতোন :- ঐদি ইক্সপরিমেন্ট অমা হৌগৎলম্বনি, অদুনা ঙহাক চৎলুদবা য়াররোই।

থাজমানবী :- বাবা ঐদি ঙসি কোলেজ কাদ্রসু য়ানি, ইগজাম ময়া য়ৌশিল্লক্লবনিনা সেলেবসসু লোইরে অদুনা ক্লাস তৌররোই, ষ্টদি লিব পীরে ঙসিদগী

খন্বা :- ইপাদি ওফিস ঙহাক কারুদবা য়ারোই অদুনা অমুক চৎলসিদনা।

ইনাওতোন :- বাবা ঐখোয় ইবেন্মসে ইমাগী নাক্তা ঙহাক লৈজহৌরসনু, ঐ হোরেল নুমিদাংৱাইরম ওইনা লৌবীরগে, বাবা ইবানি চৎলসি।

খন্বা :- ফরে অদুদি, তোন্বীমচা নাবা ফরোকো, নঙ নাবা হেক ফবগা ঐখোয় পুল্লপ মফম নুংঙাইগদবা অমা খল্লগা পিক্নিক চৎলুসি।

তোন্বীমচা :- হোয়নে চৎলুসি, ঙসিমক হেক চৎনিংলকই, থায়না ঐখোয়না কোইবা চৎমিন্নখিবদু খঙনীং নীংশিংলকই (নোকপা)।

-ম্যুজিক-

(মফম:- পিক্নিক স্পোট, নুংশা শাগৎলকপা মতম, মীয়াম লাংবগী মীনিল)

মালংবা :- (গাড়ী থৌনা থৌনা) ঐখোয়বু কদোমদা ওইনা গাড়ীসি খামসি হায়বা, ঙসিদি ছুটি নুমিৎনিনা নীংথি খুলগী পিক্নিক স্পোটশিংসে মফম অহাংবা অমতা লৈতরে মীগী মী ঙাক্তা।

থাজমানবী :- দাদা অসোম মতাই খরা নানবা অসিদা ওইনা গাড়ীদু থৌজিল্লসি, মীসু কয়া লৈতবরোমসিদা খাল্লসি (গাড়ী খামখিবা)।

তোন্বীমচা :- ইস মীশিংসে ওন্থোক্লা য়ামখ্রেদা, লম কোইবা লাক্লিবরা, ইরাং তৌবা লাক্লিবরা খঙদরে তৌসিসে, লৈশাবী পাখং জুরা-জুরা পীক থল্লিনে চীংখোং চীংয়াসিদা, ইমুং-মনুং পুল্লপ কোইবা লাকপা মীদি উবু উদেনে।

খন্বা :- হৌজিক কানসিদি মতা অমা তৌরবোরে,. অসোমদা নুপামচা কাংবু অমা পুল্লপ ওমশিল্লগা লৈরিসিনা কৈদৌরিজাৎনো।

ইনাওতোন :- হৌজিক্কী মতমসিদি ইনখৎলক্লিবা নহাশিংসে নিশা শিজিন্নদববু ইয়াও য়াওশিল্লক্তরেদা, হৌরক্লিবা নহামিং তুংগী যুম্বী ওইগদৌরিবশিং অসিনা অসুম্না নিশাগী ইপাক্তা লোয়না লুপ্তুনা লৈখ্রবদি কমদৌনি মালেমসিদি, মালেম অসিগী কায়রক্লিবা হোংলক্লিবা মহৌশাগী ফিভমশিং, অইং-অশাগী খল কায়রক্তুনা মীওইবনা অৰাবা কয়া মায়োক্নরক্লিবা অসিদগী করম্না ঙাকথোক্কনি।

থাজমানবী :- লাকও তামো, কৈদৌরগে নতোমতা মরুম মুরুম শোন্দুনা লৈরিদুবো।

ইনাওতোন :- কৈসু তৌদে লাকও লাকও পোৎচৈশিংদু লোয়না পুথরক্লো, ফক্কাদুসু স্বাইদা হেক্তা থারসিসে।

মালংবা :- বিগ গার্দেন অমব্রেলা য়াওরকখিদাইনে ঐখোয়বো।

খন্বা :- সে সে সিদা লৈরেসে নখোয়গী ছাটিন অচৌবসে।

তোম্বীমচা :- নুংশানগা শাগৎলকপনে খনদোরক্লোদনা নখোয়গী ছাটিন্দো।

ইনাওতোন :- স্বাইদা হেক্তা খিল্লসি, ময়াম স্বাইদা ঙহাক ফমদুনা ব্রেক ফাষ্ট চাথোক্লসি।

থাজমানবী :- হোয় চাথোক্লসি, দাদা মালংবা সে দিস্পো গ্লাসসিদা চাদু অমুক্তা ফ্লাস্কতগী হৈবীরকউ।

মালংবা :- সে সে হৈরকঅগে, ঐখোয়দি প্লাষ্টিক বোটল, প্লাষ্টিক খাওগা অমতা মফমসিদা হুন্দোক্লম্বা, চায়থোক্লম্বা য়াদেকো, য়েংঙু তু ফজখ্রবা মফমসে পিক্নিক লাকপা মীওই কয়ানা হুন্দোক্লম্বা প্লাষ্টিককী খাও, বোটলনা পীক থল্লে, ইনভাইরোন্টমেন্ট অসিদা অমোৎপা, অকায়বা, অমাংবা কয়া থোকহল্লে।

তোম্বীমচা :- থাজমানবী করি করি অচাপোৎনোনে নঙনা পুরক্লিদুবু।

থাজমানবী :- চিক্কন চৌ, মোমো, চিক্কন ব্রিয়ানি, ভেজিটেবল চৌ, ভেজিটেবল ব্রিয়ানি মখল লোয়না শুরে, ঙসাই মমলিঙৈদগী হৌগৎতুনা শেল্লকইনি।

ইনাওতোন :- চান্নবা সেম শাবসি ঐখোয় থাজমানবীদি থৰায় য়াওখ্রজাৎনি, লাইরিক পাবতনি মানা খরা তল্লিবা।

মালংবা :- চান্নবা সেম শাবা হৈবসিসু আর্ট মখলঅমনি, মীবু হাওনা থুমনা পীজবা হায়বসিসু য়াম ফৈ কৈনো, ঐনা ঐনা হৈবা থবক্তুদা মায় পাক্নবা হোৎনগদবনি, ইচল থাজমানবীগীসু ফাষ্ট ফুড অমা হেক হাংদোক্লগা লোইরে।

খন্বা :- হোয়নে মদুনবু ফগদবা মাল্লে, হৌজিক্কী মতমদা ফাষ্ট ফুড তৌবসিদি মফম্নু চারবদি মীনা কৃক কৃক ইন্ননা চাবা লাক্কদৌরিবনি, ইচা থাজমানবীগী মীংদা ফাষ্ট ফুড অমদুম তৌরসি।

তোম্বীমচা :- অস অমুক্তা ঙাইখোদো নোয়গী ৰারীদো, সে খম্বা চানা কাংহৌসি চাওসে ঐনা ঙৌরকপনি, ঐখোয়না পাখং লৈশাবী ওইরিঙৈদদি বোরা, কাংহৌ, শীংজু থৰাই তানা চাম্মিন্নরকইবনি, নোয়গী হৌজিক্কী চৌ, মোমোগসে ঐখোয়দি চাজনিংদে, ইবানিদি কাংহৌ ওইনা চারসি।

খম্বা :- ফরেদা তোম্বীমচা নঙনা চানা কাংহৌ পুরকপসে, হৌজিক্কানগী অঙাংশিংগী চীঞ্জাকসে ঐসু কয়া খোইদাদে, উম হাওইনে নঙগী কাংহৌসে, নুংশিদরা মতমদো ঐখোয়না কোলেজ ক্লাস ওফ হেক লৈবগা বোরা কাংহৌ চাবা পোৎফমদা চৎপদো।

ইনাওতোন :- বাবাহোয় ইমাহোয়গী মতমদুগা হৌজিক্কদি য়াম্না খেন্নরেদা।

তোম্বীমচা :- উম চুম্মী য়াম্না খেন্নরে, অঙাং ওইরিঙৈ মতমদা ঐখোয়দি লমহাং তুহাংদা চেন চোংদুনা শান্নে, অচম্বা অশেংবা চীঞ্জাক চাবা ফংঙি, হৌজিক্তি চেন চোংদুনা শান্নবগী মহুৎতা মোবাইল ফোন অমদি কম্প্যুটরগা অদুম লোয়নদুনা শান্নদুনা অঙাংশিং অয়াম্বা মতম লেনথোক্তুনা লৈরে।

খম্বা :- মতমনা পুরকপা অহোংবা হায়বদুনি, করিদি উপাই লৈরি, ঐখোয়সু অসুমক মতমগী ঈচেলদা চেন্থবা তাবনি।

থাজমানবী :- অস নুংশাসিসু ওন্থোক্লসু শারে, শামন্দুনা ইশাগসে হাক্কচরে, কোকসিসু চীক্লে।

মালংবা :- উম ঙসিসে ওন্থোক্লা শাখরে, ছাটিন খল্লবসু করিমতবু কান্নদরে, লৰাইসে শাবনা লোইরে।

ইনাওতোন :- হৌজিক মালেমসিগী মথক থংবা এটমোস্ফিয়ারগী শরুক্তা শন্দোক্তুনা লৈরিবা ওজোন লায়র অসি অসুম অসুম পাথরকপদগী নুংশাগী মৈশা অলত্রা ভাইওলেট (ইয়ু.ভি.) রেডিয়েসনগী চাং ৰাংনা পৃথিবীগী লৈমায়দা ফাওজিল্লকপদগী স্কিন কেন্সর, আই কেত্রেক্ত, জিনেটিক ইম্ম্যুন সিস্তেম দেমেজ ওইরকপনচিংবা লায়না কয়া থোকহল্লক্লি।

থাজমানবী :- ওজোন লায়র অসুম অসুম পাথরক্লে হায়রিসিবু কমাইনা পাথরকইনো।

খম্বা :- নঙদি লাইরিক লাইশু পানিংদবনিনা খঙলিরোইনে, হৌজিক করম্বা ফিলম ষ্টারনা খ্বাইদগী মীয়াম্না পান্নবা ওইরি হংলদি খংনিনে নঙ।

থাজমানবী :- ঐখোয় বাবাসিদি, মী খুদিংমক হীরম খুদিংমক্তা লোয়না হেক্তা খঙবরনে, খঙদবগী ঐসু হংবগী ৰানি (শাওবা)।

মালংবা :- ইচলনা খঙদবা হীরম অমবু খঙনিংনা হংলিবসি য়াম্না ফৈ, ইবুং হায়গেকো, ওজোন লায়র অসি পাথরক্লিবগী মরুওইবা মরমদি কেমিকেল কম্পাউন্দশিং ক্লোরিন অমদি ব্রোমিনগী শরুক য়াওবা গ্যাসশিং ইন্দষ্ট্রি অমদি ঐখোয় মীওইবগী থবক থৌরমশিংদগী কাহেন্না থাদোরক্তুনা এটমোস্ফিয়ারদা চাং ৰাংনা য়াওরকপদগী ওজোন লায়র অসি পাথরক্লিবনিকো।

ইনাওতোন :- ওজোন লায়র পাথরকপা অসি পোলর রিজনগী শরুকশিং মরুওইনা অন্ট্রাকটিকাগী মফমশিংদনা খরা হেল্লি।

খন্বা :- সাইন্টিফিক রিছার্চকী মতুংইন্না নুংশিৎতা কার্বোন দস্ত পার্টিকলগী চাং ৰাংনা য়াওরকপদগী লংশ চাওথোকহল্লক্তুনা স্বর হোনবদা অকায়বা কয়া ওইহল্লক্লি হায়রি।

তোম্বীমচা :- পুন্নমকসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমদি গ্লোবেল ৱার্মিংগা মরি লৈনবরা?

মালংবা :- উম য়াম্না নক্নবা মরি লৈনৈ ইমা; শাবগী চাং হেনগৎলকপদগী সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় ৱাংখৎলকপদগী সমুদ্রগী মপান্দা লৈবা মীওইশিংনা অফবা অচম্বা, অশেংবা ঈশিং ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্নরক্লি। অফবা ঈশিং ফংদ্রবনিনা লায়না কয়া অমসু নাবগী চাং ৱাংখৎলক্লি।

ইনাওতোন :- মালেমগী মীশিংগী চাওরাক্লা তংখায় অমরোমদি সমুদ্র মপান্দগী কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্পা মফমশিংদা খুন্না লৈতাদুনা লৈ, গ্লোবেল ৱার্মিংনা মরম ওইদুনা সমুদ্রগী ঈশিংগী ঈমায় হেনগৎলক্লিবনিনা মতম খরগী মতুংদদি মফমশিং অদু সমুদ্রগী ঈশিংদা লুপশিনখিবা য়ানা লৈরে, অদুগা মীওই কয়া ময়ুম-মকৈ লৈতদুনা লৈফম লৈররোই।

থাজমানবী :- বাবানা ঐসে কান্নবা জর্নেল, লাইরিক অমতা পাদে হায়বদুদা ঐনা নহাল সাইন্স জর্নেল অমা পাবদা থেংনবা ৱা অমা হায়য়ুরা।

খন্বা :- হায়য়ুনে ইপাগী থাজমানবী, করিনোনে নঙনা থেংনরিবা ৱাফমবো।

থাজমানবী :- অদুবুরো ইউনাইটেদ নেসনগী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না মালেমসিদা ফ্লু লায়না কাহেন্না শন্দোরক্লিবসি ক্লাইমেৎ চেঞ্জ অমদি গ্লোবেল ৱার্মিং থোরকপদগীনি হায়রিবা।

ইনাওতোন :- অদুদি য়াম্না চুল্লবা ৱাফমনিনে, ঐগী ইচলসি গ্যান য়াম্না লৈরে, সিদগীদি কন্না হোৎনদুনা ইচলসু মালেমসিগী মশক নাইবী ইনভাইরোলমেন্টলিষ্ট অমা ওইবা ঙম্নবা হোৎনসিকো।

থাজমানবী :- দাদা মালংবগা, তামোগনা ঐনা খঙদবা খুদিংমক তাকপিবা তাবা।

মালংবা :- অদুবুদি ইচলগীদমক নবুং অনি লৈরিসিদি ইচলগী করি ৱাৎকনি, ইচলনা খঙদবা খুদিংমক ঐখোয়না তাক্কদৌরিবনি।

তোম্বীমচা :- লাকওহে অঙাংশা, তুরেল মপানসিদা সুম চৎলগা মফমসিগী অকোইবসি য়েংঙুসি লাকও।

খন্বা :- তোম্বীমচা, ঐখোয়না মফমসিদা চহি ২৪, ২৫ মুক্কী মমাঙদা লাক্লম্বদা উখিবা মফমসিগী শক্তমদুগদি হৌজিক্কদি য়াম্না খেন্নরেকো।

তোন্বীমচা :- উম খেন্নরে, মতমদুগী মহৌশাগী নীংথিবা শক্তমদু হৌজিক্তি লৈতরে, মফমসি মীওই কয়ানা চাথোক-থক্তোল্লগা হুনদোল্লন্বা অরেম-অখাক, ফৎত হাওদি, প্লাষ্টিক খাও, প্লাষ্টিক বোটল, দিস্পো গ্লাসশিংনা পুমচায় চায়রে, মফমসিগী অকোয়বগী ফিভমদা চাওনা অকায়বা থোকহল্লে।

থাজমানবী :- বাবা... ইমা... নুংশিৎ অকনবা শীৎপা হৌরক্লে, নোংসু তারক্লে কমায় তৌনি (পাখৎপা)।

ইনাওতোন :- থাজমানবী পাখৎকনু কৈসু তৌরোই।

মালংবা :- লাকও অসোমদা য়ুম অমা লৈরিসিদা চৎসি লাকও।

তোন্বীমচা :- লাকও লাকও ইচাশা (পাখৎপা)।

খন্বা :- লাকওনে নখোয়বো, খরা থুনা লাকওনে চৎসিনে (পাখৎপা)।

-ম্যুজিক-